# ‘হুয়েং লাল্লোং’

রাংখেমচা চীংতমলেন

**(হুইয়েন লাল্লোং, হুইয়েন লানপাউ কংলৈ ইপা ইপুশিংগী অশেংবা রাহৈশিং নত্তে)**

**হৌজিক হৌজিক কংলৈচা মীতৈশিংনা শিজিন্নরিবা রাহৈশিং ‘হুইয়েন লাল্লোং’, ‘হুইয়েন লানপাউ’ রাহৈশিং অসি চুম্মা? অইবগী রাখল্লোনদদি তশেংনা লাল্লে, চুম্মী হায়নবা লম্বী লৈতে। কনাগুম্মা কংলৈচা মীতৈশিংনা চুমই হায়নিংবা লৈরবদি ইবীরকউ, খংহনবীরকউ, হৈখ্রবা ইপা ইপুশিংগী পুককৈ লনকৈ হেনগৎনবা হোৎনমিন্নসি।**

মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা খুন্নাই অমগী মপু ওইরম্বা কংলৈচা মীতৈশিংনা অসুক্কী মতিক লুরবা, হিরম, লৈপাক ঙাক্লোনগা মরী লৈনবা রাফমদা **‘হুইয়েন লাল্লোং’** হায়বা রাহৈশিং অসি শিজিন্নরমগনি হায়বসি মংদসু মংবা য়ারোইদবা রাখল্লোন্নি।

কংলা এস্কেভেসন, ২০০৯ গী মতুং ইন্না কংলাদা হৌজিক্কী মীতৈশিংগী মপা মপুশিংনা কংলৈপাক কৌদুনা, নিংথৌ পানবা লৈপাক অমগী মপু ওইদুনা পাল্লকপসি ২০০৯ দা চহী অসি B.C. 18,000 চহী রোমনি। অসুক য়াম্খ্রব চহীশিং অসি মীতৈশিং অসিনা লৈপাক ফজনা ঙাকতুনা নিংতম্বা কংলৈপাক অমা ওইনা 18th century গী অহৌবা মতম, পামহৈবা গরিবান্নিৱাজগী মতম ফাওবা পাল্লক্লবনি। লৈপাক ঙাকলোনগী হৈশিংবা, খুৎলাই শিজিন্নবগী হৈশিংবা কয়া লৈবদগী অসুক য়াম্বা চহীশিং অসি নিংতম্বা কংলৈচা মীতৈশিংনা কংলৈপাকতা পাল্লকপনি। অসিগুম্বা কংলৈচাশিংগী খুন্নাই (civilization) গী মওং অসিদা, **‘হুইয়েন লাল্লোং’ ‘হুইয়েন লানপাউ’** , হায়বা হন্থবা মওংগী রাহৈশিং অসি শিজিন্নরমগনি থাজবীব্রা?

**‘হুইয়েন লাল্লোং’ করি হায়রিবনো ?**

**‘হুইয়েন’** = হুই + য়েন, **‘হুইয়েন’** হায়বা রাহৈশি, রাহৈ অনিনা পুনদুনা শেম্বা রাহৈনি, হুই(Dog) +য়েন(Cock); লাল্লোং(লালোং) = লাল + মওং, লাল্লোং (লালোং) হায়বদি লালগী মওং হায়বনি। খুদম - মীতৈ থাংগী চায়না লাল্লোং, চায়নরোল (চায়নালোন), মী তরানা মী অমদা কোইশিনদুনা থাং পায়দুনা শীংনরবদি করম্না মশা ঙাকথোক্কনি অসিনচিংবা লাল্লোং। মসিগী মথকতা - থাঙ - তা গী মনুংদা শরিৎ শরাৎ য়াওরিবনি।

কংলৈপাকপু চহী লিশিং কয়া ঙাকতুনা নিংতম্না পাল্লকপা অসি মরুওইনা থাং-তাননি। মসিদা, চহীশিং অসিদা থাং-তা গী মহৈ, কংলৈ মীতৈ লানমীশিংগী চায়না লাল্লোংশিংগী মওং, তৌবা ঙম্বা, হৈশিংবগী মওং অসিবু মতম অদুদা **‘হুইয়েন লাল্লোং’** হায়না শিজিন্নরমগদ্রা খনদুনা য়েংবীয়ু, হৌজিকপু কংলৈ ইপা ইপুগী অশেংবা মচাশিং ঐখোয়না শিজিন্নফম থোকপ্রা মুন্না খনদুনা য়েংবীয়ু। অশেংবা কংলৈ মীতৈ অমা ওইনা অইবদি রাহৈশিং অসিগুম্বা অমতা ১৮ শুবা চহীচাগী মমাংদা, হিনদুনা লৈঙাক খুর্জি পায়দ্রিঙৈদা শিজিন্নরম্লোই হায়না অচেৎপা থাজবা লৈ, মসি তুংগী মীরোলনা, কংলৈচা মীতৈশিং হন্থনা উনবা হিনদু মতমদা শেমজিনখিবা ওইরমগনি হায়না চপচানা খল্লি।

**অদু ওইরবদি মতম অদুদা রাহৈশিং অসিগী মফমদা (মহুৎতা) করি হায়না রাহৈ শিজিন্নরমগনি ?**

ঐখোয় কংলৈচা মীতৈ ঐখোয়না হৌজিক শিজিন্নরিবা **‘হুইয়েন লাল্লোং’, ‘হুইয়েন লানপাউ’** হায়রিবা রাহৈশিং অসিদা হায়বদি হুই (Dog) + য়েন (Cock) গী মরকতা হুইনা চীক্লবা, লাক্লবা হোৎনবা অদুগা য়েন্না মখোং মচা অনিদুনা কাওদুনা নাম্থোক্লবা হোৎনবা লানফম অদুদা, কংলৈচা মীতৈশিংগী থাং-তা অসিনচিংবা অসিগী লাল্লোংশিংদা য়াওরিরা লৌশিংশিং হায়বদি চায়না লাল্লোং শরিৎ শরাৎ, থাংপায়বা মী তরাদগী, থাং পায়বা অমখক্লা নাম্থোক্লবগী লৌশিংশিং অসিনচিংবাশিং য়াওফম থোকপ্রা? তশেংনা য়াওফম থোকতে। অদুগা হুই গা য়েনগা অনিগী মরক্তা তৌবা লাল নত্তে, হুইনা শোয়দনা ঙম্লগদবা লান্নি। অদুগা কংলৈচা মীতৈগী থাং-তা লাল্লোংদি মান্নবা মী মসেলগী মরক্তা তৌনবা লাললনি, অনিগী মনুং অমা হেকতা শিবা য়াই। হেন্না থাং-তা গী লৌশিং লৈবা মী অদুনা হিংহৌগদৌরিবনি। অইবনা ইজরিবা রায়েৎ অসিদা য়েৎনিংঙাই লৈতবা য়াই।

**মরম পুন্নমক অসিনা, হৌজিক শিজিন্নরিবা রাহৈশিং ‘হুইয়েন লাল্লোং’, ‘হুইয়েন লানপাউ’ হায়রিবা রাহৈশিং অসি, কংলৈ মীতৈনা হৌজিক তৌরিবা, থায়নগী ইপা ইপুশিংনা তৌরম্বা থবকশিং থৌওংশিং অদুগা পুমওন ওন্নরে, থবকশিং থৌওংশিং অদুগী মমিংগা পুমখেন খেন্নরে হায়বসি খংই।**

অদু ওইরবদি ইপা ইপুশিংগী থাং-তা লৌশিং, লাল্লোং গী লৌশিং অদুগী অশেংবা মমিংশিং করি ওইরমফম থোকই হায়বসি রাখল তৌফম থোকপনি।

পুন্নমক অসিগী মথকতা, কংলৈচা মীতৈশিংদি চহীচা ১৮ গী মমাংদা মালেমদা science কী লুচিংবনি হায়বসি হৌজিকতি তশেং তশেং না খংলে। অদুগুম্বা ইপা ইপুশিংগী লাল, লাল্লোংগী লৌশিংবু হুই গা য়েনগা খৎনবা লালফম গা ওৎশিন্নবা, তিনশিন্নবা মান্নহনবা য়াব্রা, য়াদে। অরেপ্পা পাউখুমনি।

**অদু ওইরবদি কংলৈ ইপা ইপুশিংগী, কংলৈচা মীতৈশিংগী লাল্লোংগী মমিং করিনো ?**

**তশেংনমক ‘হুয়েং’ লাল্লোংনি। ইং ১৮ শুবা চহীচাগী মতুংদা পুয়া মৈ থাখিবা কাংবু অদুনা ওম্থোকখিবনি।**

১। কৈনা চেকপ চোংবা

কৈ (Tiger) হায়বা শা অসিনা, করিগুম্বা মমান্নবা অমা চীক্লবা তারবা, হাৎনবা তারবদি 'চেকপ চোংবা' হায়বা চোংবগী মখল অমা চোংলকই। মহাক্না চেকপ চোংবা তৌরকপদা, মদু মাগী য়েক্লবা অদুনা খংদ্রবদি, ইঙক ঙকখিদনা মানা ইরাই লায়না হাৎকদৌরিবনি। 'চেকপ চোংবা' হায়বসি কংলৈ মীতৈগী চায়নলোনগী থাংগী খোংফম চোংবাগুম্বনি। অদুবু মীতৈদি কৈনা চেকপ চোংলকপদা কৈনা চোংলকদবা মায়কৈ খংই। কৈনা চেকপ চোংলমদাইদা মনা নামা থুপচিল্লি। মনা থুপচিনবা অসিদগী মানা চোংলকদবা মায়কৈ খংই। মাগী মনা নামা থুপচিনবা অসি চেকপ চোংলমদাই খুদিংগী হোংনা হোংনা থুপচিল্লি। অদুগা কৈনদি থাং পায়বা, তা পায়বা মীগী চোংলকদবা মায়কৈসি খংদে। মরম অসিনা কৈবু ইরাই লায়না লাকশিনবা ঙমই। মসি কংলৈচা মীতৈগী 'ছুয়েং লাল্লোং' নি।

২। বোকশিং থিন্নবা

বোকশিং থিন্নবগী থৌরম অমা পাংথোক্নদবা নুপা/নুপী খুদিংনা মহাক্না লানপা ওইগদৌরিবা নুপা/নুপী অদুগী বোকশিং থিন্নবগী মওং, খুৎ য়েৎনা হেন্না হৈনব্রা, ওইনা হৈনব্রা, মহাক্কী মশা ঙাকথোকপগী মওং, মহাক্না খুৎ থাবগী মওং মহাক্কী খাংবা কনবগী মওং, মহাক্না শানবগী পথাপ (নিয়ম) ঙাকপ্রা হায়বসি হান্না TV দগী, Vedio দগী নত্রগা Actual Bout অসিনচিংবদগী মুন্না খংদোক্লগা, মহাক্না পাংথোকদৌরিবা Ring মনুংগী Match অদু শেম শাই। মসি পুন্নমকসি, বোকশিং থিন্নগদবা মী খুদিংনা তৌরিবনি। মসিদসু নত্তনা মুক্না শানগদবা, Wrestling তৌনগদবা, বেদমিনটন অসিনচিংবা শান্নগদবা পুন্নমক্না মশা শেম শাবা ওইনা তৌরিবনি। মসি কংলৈ মীতৈগী 'ছুয়েং লাল্লোং' নি।

৩। **21st Century Hacking**

মালেমগী Science না হৌজিকসি অসুক্কী মতিক চাওখৎলে মদুদি কনাগুম্বা নুপা/নুপী অমনা computer মচা অমা মাংদা থম্লগা, কোক কাক খরা নম্লগা অঙকপা থবক কয়া পাংথোকপা ঙমলে। Second খরগী মনুংদা ইমফালদগী আমেরিকাদা পাউ থাবা ঙমলে, অদুগা আমেরিকানসু মিনিট খরগী মতুংদা পাউ হল্লকপা ঙমলে। অসিদসু নত্তনা লৈপাক অমগী লোন্না মী খংদনবা থম্বা অরোন অথুপ কয়া হায়বদি Military গী ওইবা অরোন অথুপ অসিনচিংবা কয়া মপু লৈপাক খংহনদনা computer গী মতেংনা হুরানবা ঙমলে। মসিগী অঙকপা computer গী তৌবা ঙম্বা, হুরানবগী থবক তৌবা ঙম্বা অসিবু খৃঃ ২১ শুবা চহীদা Hack, Hacking হায়রগা খংনৈ।

**Hack, Hacking করিনো ?**

Hack, Hacking হায়বসি ইচম চম্বা Dictionary অমনশু অসুন্না রাহম্বোক পী "Use a computer to gain unauthorised acess to data in another system" English কী রাহৈ পরেং অসিগী রাহম্বোকতি অতোপ্পা মান্নদবা থবক তৌবা মওং অমগী (অরোনবা অতোপ্পা লৈপাক অমগী লৌশিং অতোপ্পা খংহনদনা লোন্না থম্বা য়াওনা) computer গী পাম্বৈনা লোন্না চংশিল্লগা থিবা, কান্নগদবা য়াওরগা লোন্না হুরানবা হায়বনি। **মসিমক কংলৈ ইপা ইপুশিংগী 'ছুয়েং লাল্লোং' গী য়াম্না খুমাং চাওশনবা মওং অমনি।** দোনাল ট্রম্প না কাখিবা America গী election দা Russia না Hack তৌই হায়দুনা রাথোক লৈখিবা অমদি মদুদা চেন্নখিবা Russian computer Programmer, Spain গী Barcelona দা ফারে হায়বদু মী পুন্নমক্না খংনরবনি।

**মথকতা অইবনা পীজরিবা খরা অসি কংলৈচাশিংনা মুন্না রাখল খনদুনা পাবীরবদি, তশেংনা অচুম্বা কংলৈ ইপা ইপুশিংগী রাহৈশিংসি 'ছুয়েং লাল্লোং', 'ছুয়েং লানপাউ' হায়বা রাহৈশিং অসিনি, চুমই হায়বা খংবীগনি। মায়কৈ মরিদগী কোয়শিনদুনা কংলৈচাশিংদা শীংনরক্লবা অসিদগী, কংলৈপাকপু কনসি, ঐখোয় হিংশি হায়রবদি ঐখোয় পুনশিনবা, রাখল তামিন্নবা মতম য়ৌরে, খংবীয়ু।**